ৱাকৎ মীফম ফমগনি

ইম্ফাল, মে ০৬ : খুরাই অহোংপুংবু মীতোপ মীয়ানচানা খোপচিন্দুনা লৈশিনখিবদগী ইরাৎ থৌনি পাঙথোকপদা খুরৌ থাংলিবা অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং অয়ুক পুং ১১দগী হৌনা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকায় মমাঙ কম্যুনিটি হোলদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোক্কনি হায়না মাইচৌ নীংশিং লূপকী চেরোল অমনা হায়রি।

এস টি দিমান্দ কম্মিটিগী মীফম

ইম্ফাল, মে ০৬ : মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (এ)গী মখাদা সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহল্লু অমদি অতৈ য়েলহৌ ফুরুপশিংদা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীবগুম মীতৈ/মৈতৈশিংগীসু পীবিয়ু হায়না মীয়ামগা লোয়নননা তকশিন্দুনা লাক্লিবা সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী জেনরেল বোদি মিটিং থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা জি এম হোল, ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

তোলোপ পীথোকপীয়ু

ইম্ফাল, মে ০৬ : মণিপুর ষ্টেট পাৱর কম্পনি লিমিটেদ অমসুং মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিটেদকী শিন্মী সেক্সন খূদিংমক্কী চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ অমসুং এপ্রিল লোইরবা ফাওবা তোলোপ ফংদনা লৈরিবা অসি পীথোকপীয়ু হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এ আরনা মীচম ফুরল্লে

ইম্ফাল, মে ০৬ : কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কৈথেল-মানবীদা ঙসি ৩৮ অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা টি পি এল এগী কাদর অমা ফানবা হোৎনবদা মরাল লৈজদবা মীচম কয়া ফুরল্লে হায়রি। কৈথেল-মানবীদা এ আর অমদি টি পি এল এগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা এ আরগী পার্সনেলশিংনা মীচম ফুরন্বনি হায়রি।

রিভোক তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ : মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী প্রসিদেন্টদা পীবা ইন্দিয়ান নেসনল কোংগ্রেসকী কন্সটিট্যুসনগী পাৱর শীজিন্নদুনা কুম্বী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম ভগিরতবু এক্সপলসন তৌবগী ওর্দর অমা থা অসিগী ৪দা থোকখিবদু রিভোক তৌরে হায়না এম পি সী সীগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এস জিতেননা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

এম পি টি সী সীগী মাইনোরিটি সেল

ইম্ফাল, মে ০৬ : মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি টি সী সী)না ক্ষেগাও সাবল লৈকায়দা লৈবা অজিজুর রহমনবু এম পি টি সী সী মাইনোরিটি সেলগী চ্যেরমেন ওইনা হাপখ্রে হায়না এম পি টি সী সীগী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ টি ঐচ ইনাওচানা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

পাখঙবা চেঙ হোংবগী থৌরম

ইম্ফাল, মে ০৬ : সনা কোনুং নিংথৌগী মশিলগী মনুং চন্না পাঙথোক্তুনা লাকপা পাখঙবা চেঙ হোংবা, নোংশাবা অমদি খোংনাং লাইচাখোন্বী চেঙ হোংবগী থৌরম থা অসিগী ১০দা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়রি। উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসিদা ইবুধৌ পাখঙববু পাউনম হিদেনদগী ইকৌরগা চেঙ হোংবগী থৌনি থৌরম পাঙথোক্তুনা ইবুধৌবু পেলহল্লগা নিংথৌ পূন্সি শাংনবা, চাহোং ঙাহোংনবা অমদি লৈবাক মরা তপ্পা পান্নবা পাঙথোকপা লাইথৌনি হায়রি।

খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ : নুঙবা এরিয়া ভীলেজ ওথোরিটি এসোসিএসন, গোইনাংলোং ভীলেজ ওথোরিটি, পিছ কোর টিম মণিপুর অমসুং সেন্টর ফোর রিসার্ছ এন্দ এদভোকেসি মণিপুরনা শীন্দুনা নুঙবা টাউনদা প্রোটেক্সন ওফ লেন্দ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ নেচরেল রিসোর্ছ হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা থা অসিগী ২ অমসুং ৩দা পাঙথোকখ্রে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরদা ওইল এক্সপ্লোরেসন অমসুং দ্রিলিংগী থৌওংশিং চথহল্লিবা অমদি ওইল ইন্দিয়া লিমিদেট অমসুং এসিয়ান ওইল ফিল্ডসতা কন্ট্রেক্ট পীদুনা তমেংলোং অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ওইল এক্সপ্লোরেসনগী রিসর্ভে তৌহল্লিবা অসিগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনবগী মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

‘লাইবুং কয়াদা মশক থোক্লা অহোংবা উরে’

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

উমংলাই কনবা অপুনবা লূপ (উকল)গী কাঙবু কয়ানা হৌজিক লাই হরাওরিবা লাইবুং কয়াদা কোয়না চত্তুনা য়েংশিল্লিবা অসিদা মশক থোকপা অহোংবা কয়া উবা ফংলে।

উকলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি লোংজম অরুননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কাঙলোন চুম্না লাই হরাওনবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী শরুক অমা ওইনা ইবুধৌ লোলাং লৈয়োল পাখঙবা ৱাঙু মনিং শাবল, লাইমেল থাংজিং তেরা খোংশাংবী, ইজমা তম্ফা লাইরেম্বী, ৱাঙু খুঞ্জাও, সেকমাই নিংথৌ, কৈরক কাংজৈবুং অমদি ময়াংঙম্বা লাইবুং বিষ্ণুপুরনচিংবা মফমশিংদা লাই হরাওবগী অফবা মহয় ফংনবা খন্ন-নৈনবগী মীফমশিং পাঙথোক্তুনা ৱাতম্লখ্রে।

লৈকায় খুল কয়ানা মশা মশা, ইমুং-মনুং, মচা-মশু, লৈবাক অমদি মালেম অসিগী য়াইফনবগীদমক মতম মাঙনা হৈকৎ লৈকৎকা লোয়নননা উমং লাইশিং হরাওনরি। লাই হরাওবা অসিনা মশাগী অমদি ফুরুপকী শক্তম ঙাকচনা হোৎনবদা মপুং ওইবা ঙাক্লৌ ওইরিবা অসি খঙনরকপদগী মায়কৈ পূম্নমক্তা লৈরিবা উমং লাইশিং হরাওনরি। তৌবতবু লীক্লম ঙাক্লা, কাঙলোন কায়হন্দনা লাই হরাওদুনা ইশা অমদি ফুরুপকী শক্তমদা য়ানশিল্লকপা, কায়থরকপা কয়া থোক্তনবা মওংদা হরাওবীয়ু। লাইগী চোং-পেদা কায়থরক্লিবা অসি চুমথোক্তুনা চোং-পে শীজিন্নবগী তোপ তোপ্পা শক্তম অসি মাঙহনবীরোইদবনি।

কুমজা ১৯৭১-৭২ অদুৱাইদগী কুমজা ২০০৭-০৮ ফাওবা অসি লাই হরাওবগী খোঙচত্তা খ্বাইদগী লাইবক থিবা, কাঞ্জোং চাইখিবা চহীশিংনি। চহী খরা অসি লাই হরাওবা মপুং ফানা লৈখা তাখি। কনাগুম্বশিংনা মচাবু লাইবুংদা চিত্রহার তৌহনগে হায়বা য়াদে হায়দুনা লাইগী শেনখায় পীদবা, মাইবীবু লমচৎ নাইদবী ওইনা উরকপা, য়ু ঙাওদ্রগদি লাই হরাওবা য়াদবা, হরাওবগী জগোই-ঈশৈ, লাইশোন-তিনশোন, হৈকৎ লৈকৎ পূম্নমক কাঞ্জোং চাইখিবনি। অদুবু চহী খরা অসিদা উকলনা মীয়ামগা লোয়নননা লাই হরাওখি। মশাগী লীক্লমদা হঞ্জিনহন্নবা হনবা লৈতনা হোৎনরকপগী মহয়না ঙসিদি লাই হরাওবগী মচৎ অসি খরমখৈদি চুম্না লৈহনবা ঙম্লে। লাই হরাওবনা মশাগী লীক্লমদা হঞ্জিল্লকপগী ময়েক লারবা খুদমশিংগী খরদং পনবা তারবদি ইবুধৌ থাংজিং মোইরাংগী লাইবুংদা শরিক ময়াম য়ানশিন্দুনা শিন্দুর থমজিল্লম্বা অদু ঙসিদি থাংজিংগী লাইবুংদগী শিন্দুর অমদি কাংশি লৌথোকখিদুনা শেনবুং ওইনা খিল্লে।

অনৌবা সেবা মন্দল অসিনা লৌখৎলক্লিবা অচুম্বা অফবা থবক অসিনা ঐখোয় পূম্নমক্তা থাংজিং খুরুম্বগী অফবা মহয় পীনবীরগনি।

অতোপ্পা অমদনা চহী কয়া ইপা-ইপুগী চৎনবীনি হায়দুনা লাই হরাওবদা অৱা-অনাগী ফিজেৎ ওইনরিবা ময়াংলং ইনৎফি শেৎ-ইন্দুনা লাই হরাওরম্বা থৌনাওজম খুলগী ইমা পাম্থোইবী হরাওবগী থৌরম অসি চহী অসিদগীদি হরাওবদা নমথাং শেৎ-ইন্দুনা হরাওরে। মসি থৌগল লূপকী হোৎনজমন্নি। নুমিৎ লৈরিগা লাইপৌ লা থাদুনা লাই লোইশিনবা, লাইবুংশিং নোংমা নোংমগী মশীং য়ামখৎলকপগা লোয়নননা নোংয়াই মমাঙদা লাইরোই থৌরম লোইশিনবা লাইবুং মরাং কায়রক্লে। লাইনিং খুবোম্বা চঙাঙ্গৈগী হরাওবা অসি নুমিৎ লৈরিঙৈদা লাইথৌ লোইশিন্দুনা অনৌবা অওনবা কয়া পুরক্লুবা হোৎনবদা মায় পাক্লে।

লাই হরাওবগা শাগোন্নরিবা লংদেংনচিংবা হরাওপুংশিংদা শীজিন্নদুনা ইমা খুন্থোকহানবী থাংমৈবন্দ হরাওরি। মসি লাই হরাওবনা মশাগী লীক্লমদা হঞ্জিল্লকপগী মায় পাকপনি।

সেকমাই নিংথৌ কৈরক কাংজৈবুংগী হরাওবদা নাৎকা মরী লৈনদবদা হরাওবগী কাঙলোন কায়বা থবক অমত্তা তৌহন্দনা খ্বাইদগী ফজনা মওংদা লাই হরাওরি। ইমা তম্ফা লাইরেম্বীগী লাইবুংদগী শিন্দুর লৌথোকখিবা অমদি থাংজিং লাইশঙ তেরা খোংশাংবীদগী শরিক লৌথোক্ন বা ৱারোইশিন পুমিন্নরকপনচিংবা অহোংবা কয়া লেপ্তুনা লাক্লি।

মতমগী অহোংবা অসিদা লাই হরাওবগী মাঙখ্রবা/কায়খ্রবা মশক/মচৎ কয়া অমুক হঞ্জিন্নরকপা অসি মীয়াম্না মাঙহনবীগনু। ঙসিগী মালেম অসিদা মশাগী শক্তম মাঙলবা ফুরুপ কয়ানা মাঙখ্রবা মশাগী ফুরুপকী শক্তম হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা চাউরবা পল কয়া থেংনবা তারি। ইশাগী লোল, ময়েক, লাইনিং, ফিজেৎ লৈতেং, জগোই-ঈশৈ অমসুং থকসি-খাসি মালেম্না শকখঙলবা লমগী লমখৈ, পথাং-পুথাং ৱাৎতনা লৈজবা মীতৈ অমদি য়েলহৌমী ওইবা ফুরুপশিংগী হৌরক ৱারী পূম্নমক শাগোন্নরিবা লাই হরাওবগী লাইথৌ থৌরম অসিবু কনাগুম্বা অমত্তনা মরিং মরাংবা থোকহনবীগনু। লাই হরাওবদা মরিং মরাংলকপা হায়বসি ফুরুপকী মরিং মরাংলক্কদৌরিবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

লুংলাইলু মীশিদা চেন্নবশিং অহকপা চৈরাক পীগদবনি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

চীংমৈরোং কবুই খুলদা লৈবা খুরাইজম ইনাও (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ শামুগী লোয়নবী খুরাইজম ওংবী লুংলাইলু রোংমৈবু মহাক্কী ইমুংমক্তদা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা তমথিবা মীহাত্তা হাৎতোকপীদুনা থল্লম্বা থৌদোক অসি নেসনল আইদেন্টিটি প্রোটেক্সন কাউন্সীল (নিপকো), অপুনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) অমসুং ইরৈবাক ইনাৎ চনুরা লোয়না শিল্লোন (ইচল)না য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং অথুবদা লৈঙাক্লা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

অমকিলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, ইচলগী প্রসিদেন্ট টি ইবেমচা অমসুং নিপকোগী প্রসিদেন্ট ও প্রেমজিৎনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হন্দক মণিপুরদা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক অমদি মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া তোয়না থোরক্লিবা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা থিজিন্দুনা মরাল লৈরবশিং লৈবাক মীয়াম খঙনা চৈরাক পীবিয়ু। লমদম অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লে। মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া তৌরক্কনি খন্না থাজরম্বা মীয়ামগী থাজবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা ফংহনবা ঙমদনা তোক্লগ্রা হায়বা ৱাহং মায়কৈ কয়াদগী হংলক্লি।

লমদম অসি মপু পান্দবা, তৌনিং তৌনিংবা পংতৌদা তৌবা, ময়াই কাবা চীঞ্জাক অমদি ইথক ঈরাং কয়াদা তাওদুনা ঙাওচৎনবা লমদম অমা ওইরকপদগী অসিগুম্বা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া ষ্টেট অসি শীনবা থুংনা শন্দোরকপা লায়না মখল অমগা মান্নরক্লে। হায়রিবা ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিন্দুনা লৈফম থোক্লিব্রা হায়নসু হংলক্লি।

অসিগুম্বা তাহৈদ্রবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি মখা তানা ইরমদম মণিপুর অসিদা থোক্তনবা মতিক চাবা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপীবগা লোয়নননা খুরাইজম ওংবী লুংলাইলু রোংমৈগী মীহাৎতা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীবিগদবনি।

খুরাইজম ওংবী লুংলাইলু রোংমৈ মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা চঙশিল্লকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা নিপকো, অমকিল অমসুং ইচলগী মায়কৈদগী মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রাইভেট স্কুলগী রেগ্যুলেসন শেম্বীয়ু : এ আই এফ বি

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

এসেমব্লিদা বিল অমা পুথোক্তুনা লো অমা শেমদ্রিমখৈদি প্রাইভেট স্কুলশিং অমসুং লন্নাই কোচিং সেন্টরশিং মপুং ফানা রেগ্যুলেট তৌদুনা চপ মান্নবা কোদ ওফ কন্দক্ট অমগী মখাদা থবক পাঙথোকপদা মপুং ফারোইদবনা মথংগী এসেমব্লি মীফম ফমদ্রিঙৈ মমাঙদা গভর্ণমেন্ট ওর্দিনান্স অমা চলাইদুনা অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী ষ্টেট সেক্রেটরি খোমদ্রাম গ্যানেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মমাঙগী কোংগ্রেস লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম কয়ারক হন্না পীদুনা মণিপুরদা প্রাইভেট স্কুলশিংবু রেগ্যুলেট তৌদুনা চপ মান্নবা কোদ ওফ কন্দক্ট অমা থম্নবা অমসুং এক্ট অমা শেম্বীনবা কয়ারক হায়জবদা তাবীদনা লাকখ্রবসু অনৌবা নোংথোম্বম বিরেননা লূচিংবা লৈঙাক অসিগী নুমিৎ ১০০নিগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা থবক খরা লাউথোকপদা প্রাইভেট স্কুলশিংবু রেগ্যুলেট তৌবগী ৱাফম য়াওরকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

ষ্টেট অসিদা অসিগুম্বা লো লৈতবনা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মরক্তা মহৈরোয়শিংগী চহীগী মিংচনশেল অমসুং থাগী ফীনচিংবদা চাউনা খেন্নবা লৈবনা মরম ওইরগা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টকী সেক্সন ১২ (সী)না পীরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা লেম্না মহৈ তমহনবগী লৈঙাক্লা পীরিবা চাদা ২৫গী রিজার্বেসন মণিপুরদদি ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈবদগী লায়রবা মীয়াম্না ফংজগদবা কান্নবা কয়া অদু চহী কয়া মাঙহন্দুনা লাক্লি। মশীং য়ামখ্রবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ কয়ানা মখোয়গী সার্বিস প্রোটেক্সন লৈতবা, মতিক চানা খুৎশুমল ফংদবদগী হৌদুনা মায়োক্ন রিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি লো অমা লৈরবদি কোক্কদৌরিবনি।

অমরোমদা, লো দিপার্টমেন্টকী মখাদা কন্সট্রক্সন ৱার্কর ৱেলফেয়র ফন্দ লিংদুনা চহী খরগী মমাঙদগী কন্সট্রক্সন ৱার্কর কয়াবু মখল মখা কয়াগী বেনিফিট লৈরবসু পেন্নিংঙাই ওইবা মওংদা থবক পাঙথোক্তুনা লাকপবু অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অখন্নবা থবক পায়খৎনবা হোৎনরকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট অসিগী অপুনবা শিন্মীশিংগী চাদা ৮০গী মথক্তা লৈবা অন-ওর্গনাইজ ৱার্করশিংবুসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরিবা বেনিফিট কয়া চপ চানা ফংজবা য়ানবা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা লিংনখ্রবা অন-ওর্গনাইজ ৱার্করস ৱেলফেয়র বোর্দ ষ্টেট অসিদসু অথুবা মতমদা লিংবীদুনা মশীং য়াম্লবা অন-ওর্গনাইজ ৱার্করশিংগী ফংফম থোকপা বেনিফিট ফংহনবীয়ু হায়রি।

কৈরাও এ সীদা লেম্না চেঙ য়েনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) :

কৈরাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)গী মমাঙগী এম এল এগী বি দি এসকী নোমিনিনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাগী য়েলহৌদবা পোৎলমশিংগী মমল লুপা লাখ ৪.৮ দিপোজিট তৌহন্দুনা মীয়ামদা লেম্না চেঙ য়েনখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৬-কৈরাও এ সীনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৬-কৈরাও এ সীগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে রন্ধির মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কৈরাও এ সীগী পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংফম থোকপা চাং শুনা ঙসি ফাওবা ফংহন্দনা লাক্লি। মমাঙ এম এল এ অমদি মিনিষ্টর লোয়নননা সী এ এফ/পি দি এস দিপার্টমেন্টকী দি এস ও, এস কে অমসুং ট্রান্সপোর্টরশিংগা মান্নরগা চহী মঙাগী ওইনা থা ৬০গী পোৎলমশিং য়েনগদবদা থা ২০দগী ২৪ ফাওবগী চেঙ অমসুং কেরোসিন থা অসিগী ১৭/১৮ ফাওবতং ফংহন্দুনা লাক্লি। থা ৩৭/৩৮গী চেঙ অমসুং থা ৪২/৪৩ গুম্বা কেরোসিন য়োন্থোক্তুনা চাউনা শেন্দোং তাল্লল্লে হায়না মরাল শীরক্লি।

মরক অসিদা, য়ুনাইটেদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি ৬-কৈরাও এ সীনা মীয়ামগীদমক্তা য়েংদুনা এ সী অসিগী এম এল এগা তানদুনা হৌখিবা চহী ৫গী পি দি এসকী পোৎলমশিং ফংহনখিদবা অদুগা মরী লৈননা ইরিল পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা হৌখিবা মার্চ ১৯দা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখি। ইরিলবুং পুলিসকী ও সীনা মীয়ামগী অৱাবা খঙবীদুনা মমাঙগী এম এল এগী পি দি এসকী নোমিনি অমসু পি আর ও কৌখৎতুনা থিগৎপীবদা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাগী য়েন্থোক্তবা পোৎলম লুপা লাখ ৪.৮ রোমগী চিথহৌবা অদু ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা শেনফম অদুনা পি দি এসকী চাকথুং লৌবদা দিপোজিট তৌদুনা মীয়ামদা চেঙ লেম্না য়েন্থোকখ্রে হায়রি। থা খরগী য়েলহৌদবা কেরোসিন্নচিংবসু য়েন্থোক্লুবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘বন্দ তৌবীগনু’

ইম্ফাল, মে ০৬ : ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮দা ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দেগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ অসিদা ওল মণিপুর রিফ্রেসর রিটন টেষ্ট সক্সেসফুল কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল ২০১৩ বেটচনা মণিপুর বন্দ তৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা অসি অতোপ্পা নুমিৎ অমদা তৌবীয়ু হায়না ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. ৱাই মোহেননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ৱর্ল্ড রেদ ক্রোস দেগা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ, থৌবাল, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চতসু হায়রিবা থৌরম অসি পাঙথোক্কনি। ইম্ফালগী ওইনদি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমদি দ্রোইং কম্পিটিসন, এক্সটেম্পোর স্পিচসু পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

শিদ্রিফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা লৈরিবা খ্বাইদগী লীরবা এদেদ কোলেজশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বিরমঙ্গল কোলেজ শওম্বুং অসি চহী খরগী মনুংদা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা য়াম্না চাউনা লৈরে হায়না ফাওরিবা অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি কোলেজ অসিগী থৱায় ওইরিবা গভর্নিং বোদি লৈতবা অসিনি হায়না বিরমঙ্গল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নননা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কোলেজ অসিগী মপুং ফাবা গভর্নিং বোদি অমা থম্বীদুনা কোলেজ অসিবু কনবিনবা গভর্ণমেন্টতা হায়জখিবা অমদি খোঙজং চঙশিনখিবা কয়া লৈরে। অদুবু হৌজিক ফাওবা মসিগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদ্রি। ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবগী খ্বাইদগী মরুওইব মরমদি গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরি খনবদা য়েৎনদুনা অমদি কোর্টতা কেস তৌশিনবদগী থোকপনি। কোলেজ অসিবু কন্নবা অমদি মরাইবক থিরবা লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংগী পূন্সি কঞ্জনবা মতম শাংনা কেস লোইশিনবা ঙমদবগী মতাংদা হয়েং ৱাথোক অমা ৱারোইশিন পুরক্ত্রিবা ফাওবা শিদ্রিফাওবা চরা হেবগী খোঙজং কোলেজ অসিগী গেট মমাঙদা চঙশিল্লগনি হায়রি।

জীরিবাম হেদক্কার্টর, বঙ্গাই রেঞ্জগী বাইফরকেসন তৌবীয়ু : ঐচ এস এ

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস) : মার ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী স্পেসল এসেমব্লি অমা ঙসি অয়ুক ব্লুমিং ফ্লৱার চিলদ্রেন্স ফাউন্দেসন স্কুল, মার ভেং, কালিনগর পার্ট-ৱান, জীরিবামদা পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখ্রে।

মার ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, স্পেসল এসেমব্লি অদুদা বরাক ভেলি, গুৱাহাতি, এন সী হিলস, কর্বিঅংলোং, শিলোং, শিনলুং হিলস, আইজোল অমসুং ইম্ফালদগী লাকপা দেলিগেট ১০০ রোম্না শরুক য়াখি অমসুং জীরি-বঙ্গাই রেঞ্জ জোইন্ট হেদক্কার্টরবু বাইফরকেসন তৌদুনা জীরিবাম জোইন্ট হেদক্কার্টরস অমসুং বঙ্গাই রেঞ্জ জোইন্ট হেদক্কার্টরস হায়না লাক্লিবা কুমজা ২০১৮দগী থবক তৌহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

তন্ত্র মন্ত্রগী ফাওরবা
বাবা করিম খান-অজমীরদগী লাকপা

যুমদা অৱা-অনা তারবদা কোকহনবা ঙম্বা, লম চথোকপা, লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌবদা অপনবা লৈবা, ফিল্মদা থবক তৌবা, লুহোং-কৈহোংবদা অপনবা লৈবা, অঙাং য়াওবা ঙমদবা, শেন-থুমদা অপনবা লৈবা, য়েক্লবা লৈবা, য়ুম-পানবদা খায়নবা, অপাম্বা থুংনবা (নুংশিনবা), মীনা ফত্তবা জাদু তৌরকপা লৌথোকপা, হীরমশিদা হৈশিংলবা মীশকনি। অৱাবা লৈবা খুদিংমক ফহনবা ঙল্লবা মীশকনি।

- Time : 9.00 am to 5 pm. Hatta, Checkon Road, Near Orient Hotel.
- নুপী Receptionist অমা অথুবদা পামজৈ।
- Salary - ₹ 5000/- to 8000/-

HL-P/1380/22/4-22/5
☎ 7629937919

ওফিস ওফ ডি
ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল
ময়াং ইম্ফাল, মণিপুর

খঙহঞ্জবা

তাং ০৪-০৫-২০১৭

No.8/12/HFA/MIMC-2016: প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজানা- হাওশিং ফোর ওল (উরবান) গী কম্পোনেন্ট অমা ওইরিবা “সবসিদি ফোর বেনিফিসরি-লেদ ইন্দিবিদ্বেল হাউস কন্সত্রক্সন” (BLC)গী ওইবা “প্রিলিমিনরি লিষ্ট ওফ বেনিফিসরিস” অমা ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা ফোঙলে। হায়রিব লিষ্ট অসি ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসতগী নৎত্রগা ৱার্ড/ৱার্ডকী কাউন্সিল্লরশিংদগী খঙবীবা য়াগনি। লোয়নননা, হায়রিবা লিষ্ট অসি মণিপুর উরবান দিভলপমেন্ট এজেন্সি (MUDA) গী ৱেবসাইত **www.muda.mn.gov.in** দগীসু উবিবা ফঙবিগনি। প্রিলিমিনরি লিষ্ট অসিদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/০৫/২০১৭ ইং, ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোল পীশিনবীরকপা য়াগনি।

পাউজেঞ্জরিবাঃ **N. Anita Devi**
***Executive Officer,* Mayang Imphal**
Municipal Council

HL-P/1511/6&7

2016
6th
8th
9th
12th
12th
13th
15th
16th
17th
18th
22nd
22nd
22nd
Maths 100
Thang Ta 99
2015
1st
9th
10th
13th
15th
17th
20th
22nd
22nd
2014
5th
8th
9th
9th
9th
9th
11th
12th
12th
13th
14th
15th
18th
18th
19th
20th
20th
24th
24th
25th
2013
3rd
10th
12th
15th
15th
16th
17th
18th
19th
19th
24th
24th
2012
4th
7th
9th
10th
12th
16th
20th
94
94
91
91

BYS
Palace Compound (Macha Leima School)
9863284750/ 9856088990

ADMISSION OPEN
CLASS - X (BOSEM)
FOUNDATION COURSE
STARTING ON MAY 22, 2017.
MORNING: 4.30AM-7.15AM
EVENING: 4.30PM-7.15PM
HOSTEL FACILITY AVAILABLE

BYS Top Scorers - HOME SC.

HOME SCIENCE
EVENING CLASS (6PM)
Starting on 08/05/2017

LIMITED SEATS!! HURRY UP!!

HL-B/3856/7-21May

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিখবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোল্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফর্টিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোল্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হস্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3850/6/05-04/06

CROSSWORD-2404



ACROSS

1 Mixed (8)
6 Mongrel (3)
9 Intended (5)
10 Taking a break (7)
11 Invigorate (7)
13 Path of a planet (5)
14 Cheap and showy (6)
15 Former name of Iran (6)
18 Hangman’s loop (5)
20 Amaze (7)
21 Not artificial (7)
22 Shin bone (5)
23 Consume (3)
24 Imperil (8)

DOWN

2 Lacking depth (7)
3 Frequently (in poetry) (3)
4 Seat of power (6)
5 Deceitful (9)
6 Ascend (5)
7 Indispensable aide (5-4,3)
8 Cheek (12)
12 Bones of the spinal column (9)
16 Trip (7)
17 Posted (6)
19 Composition for eight performers (5)
22 Metallic element (3)

Solution 2403



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2203

			6	1			9	4
9					4			
		8		9				
	6		1		7		2	9
7								5
8	2		4		9		3	
				8		7		
			9					6
6	1			2	5			

Solution-2202

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

7	5	4	8	2	6	3	9	1
8	3	6	9	1	4	7	2	5
9	2	1	3	5	7	4	6	8
3	1	8	5	9	2	6	7	4
4	6	9	7	3	8	5	1	2
2	7	5	4	6	1	8	3	9
5	8	3	2	7	9	1	4	6
1	4	2	6	8	3	9	5	7
6	9	7	1	4	5	2	8	3